**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মফম কয়াদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

২) ঙসি মালেমগী শৈরেং নুমিৎনি। মণিপুরদসু য়ুনিভর্সিতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মহৈতেম্ফমশিংদা নুমিৎ অসি পালন তৌগনি।

অমসুং

৩) ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট ৩০ শিরে।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মফম কয়াদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লমশাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কাংচুপ্তুগী কদাংবন্দ অনিগী মরক্তা লৈবা অপুনলোক কেন্নেলগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর নোংমৈ অমা, পিষ্টোল অমা, কাত্রিজ তরা, ইগনিতর সেট য়াওদবা হেন্দগ্রেনেদ অনি, মিলিটরি হেলমেট অনি, বুল্লেটপ্রুফ জেকেট অনি য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায়শিং য়াওরি।

কাংপোকপী জিলাগী কাংচুপ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কে. বেলজাং অমসুং কে. পটবুং হায়রিবা মফম অনি অসিদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী রাইফল অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু খরা, থ্রি নোট থ্রি বোল্ট রাইফল অমা অমদি তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখি।

জিরিবাম জিলাগী উচাথোল ময়াই লৈকাইদগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা বোম শাবদা চংবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি। মদুগী মনুংদা ষ্টার দাইন ৯০১ গী কিলোগ্রম ১২ মখায়রোম লুম্বা ষ্টিক ১০০ ফংবা ঙমখি। ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২০ সু মফম অদুদগী ফংখি।

জিলা অসিগী মোলজোৈরি অমদি বিনসেলু রবর প্লান্টেসনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগীস্ লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মঙা, লোকেল মেদ তুয়েল্ব বোর রাইফল অমা, পিষ্টোল অমদি পম্পি য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখি হায়রি।

পোইত্রি (এল)ঃ ঙসি মালেমগী শৈরেং নুমিৎনি। মণিপুরদসু য়ুনিভর্সিতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মহৈতম্ফমশিংদা নুমিৎ অসি পালন তৌগনি। সাহিত্য থৌপাং লুপনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা মালেমগী শৈরেগী নুমিৎ পালন তৌগনি। থৌরম অদুদা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ লান্থোকপদা নত্তনা থোকচোম দোলরসেননা ইবা উতাংবীগী লমদমদা হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমসু ফোংগনি। লোয়ননা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভি.সি. কোর্ট হোলদা পালন তৌগনি। থৌরম অদুদা ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র, তামিল য়ুনিভর্সিতিগী প্রোফেসার ওইরম্বা ৱার্ল্ড তামিল শঙ্গমগী হান্নগী দিরেক্তর ডাঃ কে. পসুমপন শরুক য়াগনি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিনসু শিন্দুনা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ য়ুনিভর্সিতি অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পালন তৌগনি। য়ুনিভর্সিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা পালন থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদমি

এৱার্দ ফংখ্রবা মীওই কয়ানা শৈরেংশিং পাথোক্কনি। থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিতিজগী দিন ওইরিবা প্রোফেসার এস. লনচেনবা অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসকী হেদ ডাঃ আর.কে. সংসারি শরুক য়াগনি।

লান্মী (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৈকোই চীংদা লৈবা পেরামাউন্ট ষ্টেন্দর্দ ইংলিস স্কুলগী মহৈরোইশিংদা ভারত লান্মীনা ষ্টেসনরিগী আইটেমশিং তেংবাং ওইনা পীখ্রে। ইং ১৯৮৫ দা ভারত লান্মীগী রিটয়ার্দ কেপ্তেন মাইকেল অথিং কোংহে অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা হৌদোক্লম্বা স্কুল অসিদা ভারত লান্মীগী বৃগেদিয়ার থাক্কী ওফিসার অমনা লুচিংবা কাংবু অমা লাক্কুনা মহৈরোইশিংগী স্কুল বেগ, নোটবুক, টিফিন বোক্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা মহৈ তম্বদা চংবা পোৎলম কয়া মতেং পীখিবনি। নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ য়াওনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মহৈরোই ১৯০, ওজা ১৫ অমদি মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি।

কিল্ড ঃ  ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট ৩০ শিরে। দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দকী জৱান অমসু খুৎ থোকবা অদুদা লৈখিদ্রে। থৌদোক থোকফমদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে।

মশিং য়াম্লবা মাওইষ্টশিং বিজাপুর অমদি দান্টেৱারা জিলাগী লোন্নবা মফমশিংদা লৈবা উমংদা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা মফম অদুদা চংশিনবদা নাকল অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপখিবনি। অয়ুক্কী মতমদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মাওইষ্ট ২৬ কী হকচাং ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ অমদি কাপ্পা য়ারিবা মরুশিং ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা কেংকর অমদি নরায়নপুর জিলা অনিগী লোন্নবদা লৈবা মফমদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবা মাওইষ্ট মরি অমগসু শিখি। ওতোমেতিক নোংমৈশিং য়াওনা মাওইষ্টকী অশিবা হকচাংশিং অদু মফম অদুদগী ফংবা ঙমখি। ওপরেসন অদু সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স, স্পেসিয়েল টাক্স ফোর্স অমদি দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দকী অপুনবা কাংবুনা চথখিবনি।

সিইসি ঃ শ্রী গ্যানেস কুমার ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ২৬ শুবা চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার ওইনা থবক পায়রকপা থা অমরোমগী মনুংসিদা লৈবাক অসিগী মীখলগী থবক থৌরমশিং ফগৎহন্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলকপা হৌরে।

ই.সি.আইগী দিপ্যুতি দিরেক্তর পি. পাৱন্না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- চীফ ইলেক্সন কম্মিসনারনা অতৈ ইলেক্সন কম্মিসনারশিংগা লোয়নননা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা মীখলগী ওফিসিয়েল কোতি অমরোমনা শরুক য়াদুনা দিজিতেল ত্রেনিংশিং পাঙথোকবা থবক পায়খৎলে।

ই.আর.ও, দি.ই.ও অমসুং সি.ই.ওগী থাক্তা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিংগা মীফম লিশিং ৫ রোম পাঙথোকবা থবক পায়খৎপা হৌরে। ইলেক্তোরেল রোলদা ভোতরশিংগী মিং হাপচিনবা নত্রগা লৌথোকপদা আইনগী ওইবা তঙাইফদবা চৎন কাংলোনশিং হাপচিল্লে। মীখলগী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা কম্মিসন্না লৌখৎলক্লিবা থবকশিংদা মরী লৈনবশিংনা মতেং পাংবীনবসু চেরোল অসিনা আপীল তৌরি।

বোক্সিং ঃ লোস এঞ্জেলিসতা ইং ২০২৮ দা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক্স গেমসতা বোক্সিং মশান্না য়াওরগনি। ইন্তরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিগী মেম্বরশিংনা মশান্না অসিবু লাক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা য়াওহন্নবা অমত্তা ওইনা য়ান্নখিবনি।

ইন্তরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী চয়েৎনবা কয়া লৈখিবনা ইং ২০২২ দা ফমখিবা ইন্তরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিগী মীফমদা বোক্সিং মশান্না অসি লাক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা য়াওগদবা মশান্নশিং খনবদা য়াওখিদবনি। অদুবু নেসনেল বোক্সিং ফেদরেসনশিংনা বোক্সিংগী ওইবা অনৌবা গভর্নিং বোদি অমা মমাং থাদা শেমখিবগা লোয়নননা মদুবু ইন্তরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা মশক খঙদুনা বোক্সিং মশান্না অসি লোস এঞ্জেলিসতা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক গেমসতা য়াওহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চুরাচান্দপুর উংখৎনবগী ফিভম লৈরি, করফিউ থল্লি, সটদাউন চখ্যরি, ইন্তরনেট থিংলি, পামদবা থৌদোকশিং থোক্তে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমদি ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট সবদিভিজন ৭ তা করফিউ কোমথোকখি, পাউচেগী ওফিসতা লান্দারল্লে, হৌজিকসু চরাংনবা ফিভমদা লৈরি হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি মোর্নিং বেলদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন অসি এফ.এম.আর চৎনহনখিদবগী মায়োক্তা অন্সমনা শিন্দুনা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে।

পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

এম.এল.এ অসব উদ্দিন মৈতৈশিংবু জিরিবামদগী তকথোকবা হোৎনবদা অচৌবা খুৎ য়াওই হায়না জিরি অপুনবা লুপনা মরাল শিরকখিবা ৱাফম অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি পোকফমদা তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে। পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন অসিনা এন.এফ.আরগী জেনেরেল মেনেজরনা জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইন য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনি।

হয়ার ইজ্কেসনগী ট্রান্সফর এন্দ পোষ্টিং পোলিসিদা মহৈরোইশিং পেন্নদ্রে, শানোই কলেজগী মথংদা এস.কে. ৱিমেন কলেজসু শো লোনশিনখ্রে, দি.এম.সিগী মহৈরোইশিংসু ইরাং হৌরকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংনা লাকপদা অথিংবা পীবা চুমলোই হায়না কংগ্রেস দলদগী থল্লকখিবা ৱাফম পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

পি.আর মমাং: কমলবাবু ফংলক্তবা নুমিৎ ১১৬ শুরে, জি.ও.সিনা পীগনি হায়বা থবক মহাক্কী লোয়নবীনা তৌগদৌরে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীরি। অনিসুবা হেদলাইনদনা পি.আর মনুং: প্রসিদেন্টস রুলনসু মীচমশিংগী পুন্সি কনবা ঙমলোইদৌরিব্রা, ইচাগী অরোইবা মোবাইল ট্রেক্কিং জোজাংটেক্তা ওইবদগী চংশিনদুনা খোঙ্গুল লিরুবদা অসাম রাইফলসনা থিংলকখি হায়না ফোংবা থেংনরে।

এমষ্টরদাম মীফমগী মতুংইন্না অরোইবা খুৎয়েক পীনগনি হায়না এন.এস.সি.এন (আই.এম)গী লুচিংবা মুইভানা ফোংদোকখিবা ব্রাফম পিপলস ক্রোনিকল অমদি গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

------